# চাইনাগী ঈচাওদা মীওই ২২৫ শিখ্রে, মীওই ২৫০,০০০ ঈশিংনা কোইশিল্লগা লৈখ্রে



বৈজিং, জুলাই ২৪ ঃ

নোং কন্না চুবদগী চাইনাদা অচৌবা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা মীওই ২২৫ শিখ্রে নৎত্রগা থীবা খঙখিদ্রে লোয়ননা মীওই ২৫০,০০০ রোম লৈবাক অদুগী ময়াই থংবা হুবৈ প্রোভিন্সতা ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈখ্রে হায়রি।

জুলাই ১৮ দগী ২০ ফাওবা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুবদগী টাউন ১০ ঈশিং থুমজিন্দুনা মীওই ৬৮০,০০০ হেন্না ঈচাওনা শোকহনখ্রে হায়না হুবৈ প্রোভিন্সকী টিয়ানমেন সিটি গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি।

অৱাবা অমসুং খুদোংথিবা মায়োক্ন বশিং কন্নবগীদমক্তা লান্মী ৫০০ হেন্না, মীওই ১০০০ অমসুং স্পীদবোট ৬২ থাখ্রে। মীওই ১০,০০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোঙদোকখ্রে হায়না ষ্টেটকী পাউচে সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

হুবৈ প্রোভিন্সতা য়ামদ্রবদা মীওই ১১৪ হাৎখ্রে অমসুং অতৈ ১১১ না থীবা খঙদনা লৈরি। লোকেল ওথোরিটিশিংনা মীওই লাক্ষ ৩.১০ রোম খুদোং চাগদবা মফমশিংদা হোঙদোকখ্রে হায়রি।

ঈচাও অমসুং নোংনা থোকহনখিবা লেন্দস্লাইদশিংদা য়ুম ৫২,৯০০ নিংখায়খ্রে নৎত্রগা লৈবাক লৈনাংশিংনা ননশিনখে। অতৈ য়ুম ১৫৫,০০০ সু অমাং অতা থোকখ্রে।

নোং অমসুং ঈচাওদুদা মহৈ মরোং থাবা লম হেক্তর ৭০০,০০০ হেন্না অমাঙ অতা থোকখ্রে। মদু শেল ওইনা পাবদা য়ুআন বিলিয়ন ১৬ হায়বদি য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ২.৪ রোমগী ওইগনি হায়রি। ঈচাওনা খ্বায়দগী ফিভম থীনা শোকহনখিবা সিংতাই সিটিগী দাক্সিয়ন ভিলেজদা য়ুমশকৈশগী অঙনবদা খঙহৌদনা ঈচাও থোক্লকখিবা মতুংদা ভিলেজ অদু পুংতাক তাকখ্রে। য়ামদ্রবদা ভিলেজর ৮ শিখি অমসুং অমনা থীবা খঙদ্রি হায়রি।

"মীশিংনা নোংঙাল্লমদাই পুং ২:৩০ তাবদা "ঈচাও লাক্লে" হায়না লাওনরকপা তাখি। ঐহাক্লা ঐহাক্কী নুপী অমসুং অঙাংশিং হৌদোকখি অমসুং খুদক্তা য়ুম মনুংদগী চেন্থোরকখি। খঙহৌদনা ঈশিংগী লেভেল অদু ঐহাক্কী খ্বাঙ মথক য়ৌখি" হায়না জাং ইরজিয়াং কৌবা লোকেল ভিলেজর অমনা হায়খি।

"ঐহাক্কী নুপী অমসুং ঐহাক মীপাইখি। ঐখোয়না উ অমদা কাখৎখি অমসুং পুং কয়া উথক্তুদা লেল্লবা মতুংদা অয়ুক্তা মী কনবা কাঙবুশীং থুংলখি" হায়না জাংনা হায়খি।

"তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী ইচানুপী অমসুং ইচানুপদি ঈশিংনা চেন্থোকখ্রে। মখোয় অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি হায়না জাংনা নীংঙমদনা অমসুং ৱানা তমখি।

মীওই ১০ খরা হেনবদমক ভিলেজ অদুবু য়েংশিন্নবা লৈরি। অতৈ খুলগী মীওইশিংদি শাফগদবা মখোয় মখোয়গী মরী মতাশিংগীদা চংজফম থীবা চৎনখ্রে হায়রি।

সিংটাই সিটিদা খুদক্তা ঈচাও থোক্লক্লীবদু গভর্নমেন্টনা মাঙজৌননা চেকশিন্নবা খঙহনবা ঙমখিদবগীদমক্তা খুনগী মীওই লিশিং কয়ানা দেমোন্সত্রেসন পাঙথোকখ্রে হায়রি। অৱাংথংবা হেনান প্রোভিন্সসু ঈচাও অদুনা ফীভম থীনা শোকহনখ্রে। প্রোভিন্স অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৫ শিখ্রে অমসুং মীওই ৭২,০০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোঙদোকখ্রে হায়রি।

হন্দক্কী ঈচাও অদুদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অদুদা মীওই ২২৫ শিখ্রে নৎত্রগা থীবা খঙদনা লৈরি হায়রদুনা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে মদুদি মীওই মিলিয়ন কয়া অৱাবা তাহল্লবা ঈচাও নংলবা এরিয়াশিংদুদা মখোয়না ফন্দ পীরগনি।

# মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদা বাঘদাদতা সুইসাইদ এটেক চথখ্রে, মীওই ২১ শিখ্রে



অবু ধাবি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

নোরর্দন বাঘদাদকী য়ুম-কৈশিং লৈবা মফম অমদা সুইসাইদ বোম্মিং অমা চথদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ হাৎখিবগা লোয়ননা ঙসি ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদকী লন্মীশিংদা অকি-অখংগী থৌদোক অমুক হন্না থোক্লরে হায়রি।

সিয়াইটশিংনা নম্না তাবা কধিমিয়া কৌবা মফমদা চথখিবা এটেক অদু আই এস আস এসনা ক্লেম তৌখ্রে। এটেক অদুদ অতৈ মীওই ৩৫ হেনবসু শোকহনখ্রে হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। আই এস আই এসকী ক্লেম অদু টেরর গ্রুপ অদুগী মিদিয়া ৱিং অমাক অমসুং প্রো-আই এস আই এস সোসল মিদিয়ানা ফোঙখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী এটেক অদু লালগী চৈথেং নংলবা বাঘদাদতা চহী কয়ামুক্কী মনুংদা চথরকখিবা খ্বায়দগী শাথিবা টেরর এটেক ওইনা মী চীনবা সোপ্পিং দিষ্ট্রিক্ট অমদা সুইসাইদ ত্রক বোম এটেক অমা চথদুনা মীওই ৩০০ হাৎখিবা মতুং চয়োল খরা লৈরগা পাঙথোরক্লিবনি।

মপাঙ্গল লৈরবা বোম য়াওবা ত্রক অদু নোংয়াই মতুং ঙাইহাক লৈরগা কোফি সোপ অমা অমসুং ষ্টোরশিং লৈবা বিল্ডিং অমদা থৌজিনখিবা মতমদুদা অকোয়বদা লৈরিবা লন্মীশিং অদু রেম্মদনগী চরা হেনবা লোয়রগা চাবা থকপা মতুংদা ময়ুম ময়ুমদগী থোক্লক্লখিবা মীশিংনা চীনখিবনি। কেরাদা দিষ্ট্রিক্টতা চথখিবা এটেক অদুসু আই এস আই এসনা ক্লেম তৌখি। মফম অদুসু সিয়াইটশিংনা নম্না তাবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমনি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি মদুদি, কেপিটেলগী ময়াই চবুক্তা গ্রুপ অদুনা শাথিবা এটেক চথবা ঙমই হায়না উৎপা অদুনা গভর্নমেন্টনা নোরদর্ন সিটি মোসুলবু নৌনা লৌশিন্নবা মতম শাংনা ঙাইদুনা লাকপদু অমুক্কা হেন্না থেংথহনবা য়াই। সিটি অদু আই এস আই এসনা কন্ট্রোল তৌবা খ্বায়দগী চাওবা সিটিনি।

ইরাক অমসুং সিরিয়াগী মফম খরা পায়শিন্দুনা কলিফেট অমা শেম্লে হায়না লাওথোকচখিবা সুনি টেরর গ্রুপ অদু হৌখিবা থা খরসিদা লম কয়া মাঙখ্রে। হন্দক্তা ইনৌ নৌনা ফালুজা সিটিগী শরুক কয়া ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুৎতগী মুনখ্রে। কেরাদাগী কিনিংঙাই ওইরবা এটেক অদুগী ফল ওইনা ইরাক্কী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মোহম্মদ সালেম অল-ঘাবান মফম থাদোকখি। সিক্যুরিটি সিষ্টেমশিংগী মরক্তা কোওর্দিনেসন ৱাৎলম্বগী রেসপোন্সিবিলিটি লৌরদুনা অল-ঘাবাননা এটেক অদুগী মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা মফম থাদোকখিবনি।

# নেপালগী প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলি নো কনফিদেন্স ভোটতা মায়থীবা য়ানা লৈরে



কথমন্দু, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

থাজদবগী ভোট লৌনদ্রিঙৈগী মাঙজৌননা নোংমাইজিং নুমিৎতা পোলিটিকেল পার্টি অনীনা নেপালগী রুলিং কোলিসন থাদোকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর কে পি ওলি পাঙ্গল চাংয়েংদা মায়থিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়রি।

হৌখিবা চহীগী ওক্তোবরদা কে পি ওলিবু পৱার পায়হনখিবা হান্নগী মাওইষ্ট রেবেলশিংনা পুখৎলকখিবা থাজদবগী মোসন অদু নোংমাইজিংগী অথেংবদা মেম্বর ৫৯৫ লৈবা পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌনগদৌরিবনি। ওলিনা হান্না য়ান্নখিবা পাৱর স্যের তৌমিন্নবগী দিল অমা থুগায়রে হায়না মরাল শীরদুনা হান্নগী মাওইষ্ট রেবেলশিং অদুনা মোসন অদু পুখৎলকখিবনি।

নেপালদা চহী কয়ামুক পোলিটিকেলগী ওইবা তং-তাদবা, মথোং মরম খঙদবা ফিভম অমা লৈরকখি অমসুং খ্বায়দগী ইনৌ নৌবা ওইনা ওলিগী লাইবক্কী মতাংদা তম্বা ঙমদবগী ফিভম অমা লৈরিবদুনা লল্লোন-ঈতিক্কী হিরমদা থাজবা হেন্না মাঙহল্লে হায়রি।

'প্রাইম মিনিষ্টর ওলি অমসুং মহাক্কী পার্টিগী মঙক কনবা মতৌদা ঐখোয় অতৈ তৌনিঙাই অমত্তা লৈতবদগী কোলিসনদগী তোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লিবনি' হায়না রাষ্ট্রিয়া প্রজাতন্ত্র পার্টি (আর পি পি) গী সিনিয়র ওফিসল অমা ওইরিবা কিরন গিরিনা রোইটর্জদা হায়খি। এলাইঅন্স অদুদগী তোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা অতৈ পার্টিদুদি মাধেসি জনাধিকার ফোরম নেপাল (দেমোক্রেটিক) নি।

পার্টি অনীমক্লা হায়খি, লৈবাক অদুগী হৌজিক পাল্লিবা গভর্নমেন্টবু পৱারদগী চিংথনবগী পান্দমদা মখোয়না নোংমাইজিং নুমিৎকী ভোট অদুদা ওপোজিনগী মায়কৈদা লেপকনি। ওলিনা মকোক চীংলিবা গভর্নমেন্ট অদু মীশি-মীনা য়াওবা প্রোটেষ্ট কয়াগী মতুং ১৯৯০ দগী মল্টি পার্টি দিমোক্রেসি হৌদোকখিঙৈদগী হিমালায়ন লৈপাক অদুগী ২৩ শুবা গভর্নমেন্টনি। ওইরক্লিবা ফিভমদুগী মতাংদা হংবদা ওলিনা কম্মেন্ট পীখিদে।

নেপালগী য়ুম্লোন্নবা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা চহী য়ামদ্রিবা রিপব্লিক অদুদা য়ারিবমখৈ ঈথিল পীনবা হোৎনখি অমসুং অচৌবা লৈবাক অনীসিনা হিমালায়ন লৈবাক্তুদা মতম শাংনা পোলিটিকেল পেরালাইসিস লৈবনা মালেমগী খ্বায়দগী লায়রবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লৈবাক অদু ক্রিমিনল গেংশিং অমসুং মিলিটেন্টশিংগী অচৌবা মকোল অমা ওইরক্কনি হায়না চীংনবা পোক্লি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা অহানবা রিপব্লিকান কন্সটিট্যুসন চৎনহনবা হৌখিঙৈদগী নেপালদা ক্রাইসিস থোক্তুনা লাকখি। অনৌবা ফেদরেল ষ্টেটশিংনা মখোয়গী হোমলেন্দবু মচেৎ তাথোক্তুনা মখোয়বু মীরায়বীরে হায়রদুনা লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা ইথনিক মাধেসি মাইনোরিটিনা কন্সটিট্যুয়েনদু রিজেক্ট তৌখি।

ওলিনা মাধেসিশিংগী অনিংবা অপান্বশিং থুংহন্নবা হোৎনরগনি অমসুং হৌখিবা চহীদা য়ুহা হাবনা মাঙহন তাকহনখিবা য়ুম-কৈশিং নৌনা শারগনি হায়না থাজবা পীখিবদগী থা অনীগী মমাংদা মাওইষ্টশিংনা মহাকপু মফমদগী লৌথোক্লবা তৌরম্বদগী তোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা মশাগী ৱাশক ঙাকখিদে হায়না ওলিগী ক্রিতিকশিংনা হায়খি।

"প্রাইম মিনিষ্টর ওলি মশাগীদা খনবা মী অতৈগীদি করিমত্তা খনদবা মীশক অমা ওইরক্লে। মীনা ঙাংবা অমত্তা তাউ হায়বা য়াদ্রে" হায়না মাওইষ্ট চীফ প্রচান্দানা ইরাই নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টদা ফোঙদোকখি। মসিনা ঐখোয়বু মহাক্কা মখা তানা থবক তৌমিন্নবা ঙমহন্দ্রে।"

মহাক্কী লালগী মতমদা মীয়াম্না খঙনখিবা 'শাথিবা' হায়বা মীঙ্গৌ লোয়নরিবা প্রচান্দা অসি মশাগী চহী ৬৪ শুরবা ওলিগী মহুৎ শিন্নবা মীয়াম্না পাম্না খন্নবা মীশক্লি হায়রি। প্রোভিন্সিয়েল বোর্দরশিং নৌনা লেপথোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা মাইনোরিটি মাধেসিশিংনা থা মরি চুপ্পা ইন্দিয়াগা তায়নবদা লৈবা বোর্দর ত্রেদ পোইন্ট মরি থিংজিনখিবনি। ব্লোকেদ অদু পুসিলকা খুৎ থোক্লবদা মীওই ৫০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা লোয়শিনখি।

# কেফে এটেক্তা চেন্নবা জে এন বিগী মিলিটেন্টশিং ফারে

ধাকা, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

অথিংবা থমখ্রবা বংলাদেশকী লালহৌলুপ জে এম বিগী রিজনেল মকোক য়াওনা গ্রুপ অসিগী ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট মরি হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ফাগৎখ্রে। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না, মখোয় মরিদু বাংলাদেশকী খ্বায়দগী শাথিবা টেরর এটেক ওইখিবা ধাকাগী কেফে অমদা চথখিবা এটেক্তা চেন্নবশিংনি হায়রি। কেফেগী এটেক অদুদা মীরৈবাকমচাশিংনা অয়ান্বা ওইদুনা মীওই ২২ শিখিবনি।

শগেলাশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা রেপিদ এক্সন বাট্টলিয়ন (আর এ বি) না গজিপুরগী তোঙ্গিদা লৈবা মিলিটেন্ট আউটফিট জামাটুল মুজাহিদীন বাংলাদেশ (জে এম বি) গী লোৎফম অমদা রেইদ চথখি অমসুং মিলিটেন্ট মরিদু মফমদুদগী ফাখি।

গ্রুপ অদুগী সাউদর্ন রিজনগী 'অমির' নি হায়বা মহুমদল হশন নৈবির ফারবশিংদুগী মরক্তা য়াওখি হায়না আর এ ভিগী স্পোক্সপর্সননা হায়খি। অতৈ মীওই অহুম অদুদি অশিকুল অকবর অবেশ, নজমুস শকিব অমসুং রহমাটুল্লা সুভোনি হায়না আইদেন্টিফাইদ তৌরে।

আর এ বিগী মীদিয়া ৱিংগী দিরেক্তর মুফটি মহমুদ খাননা হায়খি, য়ুম অদুদগী য়াল্লবা খুৎলায়শিং, নোংমৈ মরূ অমসুং বোম শানবগী মচাক মথুমশিং ফাগৎলে।

বিল্ডিং অদুদা মিলিটেন্ট মরিদু লোত্তুনা লৈরে হায়বা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী আর এ বিনা খুৎলৈ থুনা মখোয়বু ফানবা হোৎনখিবনি হায়না খান্না ফোঙদোকখি। খান্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, মীওই মরি অদু রেম্মদনগী মনুংদা ইদকী মমাংদা য়ুমদুদা চংজফম লৌদুনা লৈখিবনি। য়ুম অদু জে এন বিগী রিক্রুটশিং ত্রেনিং পীবদসু শীজিন্নখি।

য়ুম অদুদগী বোম নিপান অমসুং বোম শানবগী মচাক-মথুমশিং, পিষ্টল অমা, মেগজিন অমা, নোংমৈ মরু রাউন্দ ১০০ হেন্না, থাংপাক নিপান অমসুং জিহাদিগী লিটরেচর খরা ফাগৎখি হায়না খান্না হায়খি।

ইন্দিয়ন অমা য়াওনা মীওই ২২ শীখিবা ধাকাগী হোলি অর্টিজন বেক্করিদা জুলাই ১ দা এটেক চথখিবদুদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা জে এম বিগী লোৎফমশিং কোইথী থীরকখিবনি। এটেক্তুদা শরুক য়াখিবা গনমেন তরুক অদু আর্মি কম্মান্দোশিংনা কেফে অদুদা থোমজিল্লগা হাৎখিবনি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা শাথিরবা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখি, তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি বাংলাদেশতা আই এস লৈতে হায়রদুনা এটেক অদু লৈবাক অদুগী জে এম বি মিলিটেন্টশিংনা পাঙথোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# চাইনানা মালেমগী খ্বায়দগী চাওবা ঈশিং-কংফাল অনীমক্তা শীজিন্নবা য়াবা এয়রক্রাফ্ট পুথোকখ্রে



বৈজিং, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী খ্বায়দগী চাওবা ঈশিং অমসুং কংফাল অনীমক্তা শীজিন্নবা য়াবা এয়রক্রাফ্ট চাইনানা মপুং ফানা শাবা লোয়রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোক্লি। মদু লৈবাক অসিনা মপানগী এভিয়েসন ফার্মশিংগী মপান তাংদনবা পায়খৎলকখিবা প্রোগ্রামদা খ্বায়দগী নৌবা মায় পাকপনি হায়রি।

ষ্টেটনা মপু ওইবা এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রি কোরপোরেসন ওফ চাইনা (এ ভি আই সী) না এ জি ৬০০ হায়না মমীং থোনবা অনৌবা প্লেনশিংদুগী অহানবদু থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অদুগী খা থংবদা লৈবা হিথাংফম সিটি সুহাইদা মীয়ামদা উহনখ্রে হায়না ওফিসল সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়খি।

মেক্সিমম রেঞ্জ ওইনা কিলোমিটর ৪,৫০০ ফাওবা পায়বা ঙম্বা এয়রক্রাফ্ট অদু উমং চাক্লকপদা থেংননবা অমসুং মরিন রেস্ক্যুশিং (ঈশিংদা অৱা-অনা কনবা) দা শীজিন্ননবা শাবনি হায়না সিনহুৱানা ফোঙদোকখি। বোইং ৭৩৭ মুক চাওবা এয়রক্রাফ্ট অদু ঈশিংগী ঈমায়দগী পায়খৎনবা অমদি ঈশিংদা তানবা শাবা মালেমদা লৈরিবা অতৈ অতোপ্পা এয়রক্রাফ্টতগী চাওবা হেল্লি হায়না সিনহুৱানা এ ভিআইসিগী দেপ্যুটি জেনরল মেনেজর গেং রুগুৱাংনা হায়খি।

অদুম ওইনমক এজি ৬০০ গী মশাবু স্প্রুস গুজ হায়নসু খঙনবা ঐচ-৪ হারক্যুলিসতগী য়াম্না হেন্না পীকই। স্প্রুস গুজ অসি লানফমদা এলাইদকী ক্রুপশিং হোন্ননবা ১৯৪০ গী মতুং চহী খরদুদা দিজাইন তৌখিবনি। কুমজা ১৯৪৭ তা অমুক্তমক পায়খিবা ওইরবসু প্লেন অসি হৌজিক ফাওবদা শারিবশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী চাওবা সি প্লেননি হায়না লৌনখি। "দোমেষ্টিক মার্কেটতা তার্গেট তৌবা চাইনিজ প্লেন অদু মরিন রিছোর্সশিং থীবা অমদি শীজিন্ননবা হোৎনবাদ য়াম্না কান্নগনি" হায়না সিনহুৱাগী অর্টিকল অদুনা হায়খি। মদু ইনভাইরনমেন্টেল মোনিটরিং, রেস্ক্যু দিটেক্সন অমসুং ট্রান্সপোর্টেসনদা শীজিন্নবা য়াগনি।

বৈজিংদা হৌজিক জপান, ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্স য়াওনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক কয়ানা ঈশিংগী রিছোর্সশিং দিভলপ তৌবগী রাইটশিংগী মতাংদা কন্না য়েৎনদুনা লৈরিবনি। এ জে ৬০০ এমফিবিয়স এয়রক্রাফ্ট অদু এসিয়াগী খ্বায়দগী চাওবা লৈবাক অদুনা সাউথ চাইনা সিদা মখল-মখা কয়াগী ওপরেসনশিংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

# ফ্রান্সনা ইরাক্তা পীবা মিলিটরি তেঙবাং হেনগৎলগনি

পেরিস, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ

লীশকী লোরি এটেক মতুংদা ফ্রান্সনা ইস্লামিক ষ্টেট থেংননবা ইরাক্তা পীবা মিলিটরি তেঙবাং হেনগৎলগনি হায়না প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ ওলান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাকি ফোর্সশিংদা হেভি আর্টিলরি সপ্লাই তৌরগনি হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং মহাক্লা গ্রাউন্দ ক্রুপশিংদি থারোই হায়না নৌহৌননা পনখি। খোঙথাং অদু বাষ্টীল দেগী মৈগী কুমহৈ মফম অমদা টেরর ত্রক্কী শাথিবা এটেক অমদা মীওই ৮৩ শিখিবা অমসুং ৩০০ হেন্না শোকহনখিবগী থৌদোক মতুংদা লৌখৎলক্লিবনি। হৌজিক মীওই ১২ অরুবা ফিভমদা লৈরি হায়না ওলান্দনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী শরুক অমা ওইনা ফ্রান্সনা আই এস এক্সত্রিমিষ্টশিংনা এয়রষ্ট্রাইক কয়া পাঙথোকখি অমসুং ইরাকি লান্মীশিংদা মিলিটরি ট্রেনিং পীখি।

চৈরকসিদা নীশকী থৌদোক্তা মরী লৈনবা পুলিসকী মথৌগী মতাংদা ক্রিটিসিজম হেনগৎলক্লি। ফ্রেঞ্চ এন্টি-টেরর পুলিসনা জুলাই ১৪ গী শাথিরবা এটেক অদুগী সিক্যুরিটি কেমেরাগী ইমেজশিং মাঙহনখিনবা হায়জবা অমা সিটি অসিনা রিজেক্ট তৌখি হায়রি।

সিটিগী লফিসলশিংনা ইমেজশিং অদু কেস অদুগী ইভিদেন্স ওইনা শীজিন্নবা য়াই হায়না য়েৎখি।



HL-B/3200/18/07-17/08

# EMPLOYMENT NEWS

## AP POLICE RECRUITMENT 2016

State Level Police Recruitment Board, Andhra Pradesh invites Application for the post of 34548 Stipendiary Cadet Trainee (SCT) Police Constable (Civil/ AR) & Warder in department of Police & Prisons & Correctional Service. Apply Online before 14 September 2016.

Job Details :

Post Name : Stipendiary Cadet Trainee (SCT) Police Constable (Civil) (Men/ Women)
No. of Vacancies : 3216 Posts
Pay Scale : Rs.16400-49870/-
Post Name : Stipendiary Cadet Trainee (SCT) Police Constable (AR) (Men/ Women)
No. of Vacancies : 1067 Posts
Pay Scale : Rs.16400-49870/-
Post Name : Warder
No. of Vacancies : 265 Posts (Men – 240 Posts & Women – 25 Posts )
Pay Scale : Rs.16400-49870/-

**Eligible Criteria for AP Police Recruitment :**

Educational Qualification : Candidates should have Intermediate or its equivalent examination recognised by the State Government.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.07.2016
For Stipendiary Cadet Trainee (SCT) Police Constable : 18 to 22 years
For Warder : 18 to 30 years
Job Location : Hyderabad (Andhra Pradesh)

**Selection Process:** Candidates will be selected based on Preliminary Written Test, Physical Measurements Test (PMT)/ Physical Efficiency Test (PET) & final written examination.

Application Fee: Candidates have to pay Rs. 300/- for OCs/ BCs & Rs. 150/- for SCs/ STs towards Applications Processing & Examination through Mee Seva (e-Seva)/ AP Online/ TS Online in favour of Chairman, State Level Police Recruitment Board, Andhra Pradesh.

**How to Apply AP Police Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website recruitment.appolice.gov.in from 03.08.2016 to 14.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 03.08.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 14.09.2016
Date for Preliminary Written Test : 16.10.2016

## HPCL BIOFUELS RECRUITMENT 2016

HPCL Biofuels Limited invites Application for the post of 138 Management, Non Management & Seasonal Vacancies in various disciplines. Walk-in-Interview 08 to 26 August 2016. Advt. No. : 002/HPCL Biofuels Ltd./2016/critical

**Job Details :**

Post Name : Management Vacancies
No of Vacancy : 29 Posts
Post Name : Non Management Vacancies
No of Vacancy : 43 Posts
Post Name : Seasonal Vacancies
No of Vacancy : 66 Posts

**Eligible Criteria for HPCL Biofuels Recruitment :**

Educational Qualification :

For Management Vacancies : M.Sc In Microbiology or B.Sc with DIFAT or B.Sc in Agriculture or M.Sc in Agriculture or BE in either Mech/Elec/Chem Engg. With NSI/VSI with relevant experience.

For Non Management Vacancies : SSC or equivalent with 1st Class Boiler Attendant certification or ITI – Fitter or SSC or equivalent with ITI(Fitter/Electrician) or Matric or Dip./Dig. Pharmacy with relevant experience.

For Seasonal Vacancies : Matric or Matric + SBCC Mandatory or B.Sc (Chemistry) or Intermediate with ITI Mechanical or Electrical with relevant experience.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.08.2016
For Management : 57 years
For Non Management & Seasonal : 55 years
Job Location : Bihar

How to Apply HPCL Biofuels Vacancy : Interested Candidates may appear for Interview along with prescribed application form and attested documents of education qualification and Original at the time of Interview.

Venue of Interview : HPCL Biofuels Limited, House No-271, Road No-3E, New Patliputra Colony, Patna, Bihar-800013

Important Dates to Remember :

Date of Interview : 08 to 26.08.2016 at 8:00 AM to 2:00 PM

Important Links :

*Detail Advertisement & Application Form Link : http://*
www.hpclbiofuels.co.in/downloads/Recruitment-2016-17.pdf

## AAI RECRUITMENT 2016

Airports Authority of India (AAI) invites application for the post of 106 Junior Assistant (Fire Service) NE-4 level at various airports in Eastern Region. Apply Online before 05 September 2016.

**Advt. No. : 02/2016-Rectt. (Jr. Asstt.(FS))**

***Job Details :***

Post Name : Junior Assistant (Fire Service)
No. of Vacancy : 106 Posts
Pay Scale : Rs. 12500-28500/-

**Eligibility Criteria for AAI Recruitment :**

Educational Qualification : 10th Pass and 3 years approved regular Diploma in Mechanical / Automobile / Fire with minimum 50% marks OR 12th Pass (Regular Study) with 50 % marks.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 30 years As on 30.06.2016
Age Relaxation :
SC/ST Candidates : 5 years
OBC Candidates : 3 years

**Job Location : All India**

Selection Process : Selection will be based on Online examination, physical measurement, driving test and physical endurance test.

Application Fee : Candidates belonging to General and OBC category have to pay Rs. 400/- through System Generated Challan of SBI only. No application fee is required to be paid by Female/SC/ST/Ex-serviceman candidates.

How to Apply AAI Vacancy : Interested candidates may apply Online through the website www.aai.aero from 08.08.2016 to 05.09.2016 (For Step-I) and 13.09.2016 for (For Step-II).

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Registration : 08.08.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-I) : 05.09.2016
Last Date for Submission of Online Registration (Step-II) : 13.09.2016
Last Date for Depositing Examination fee at SBI : 08.09.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : http://www.aai.aero/employment_news/JrAsst(FS)ER-190716.pdf

**Apply Online :**

http://www.aai.aero/employment_news/Employee_Recruitment_new.jsp